# কিদনি য়োনবগী ৱাথোক অমসুং মৌ মাঙবগী ৱাথোক শেন্মীৎলোনগা নক্নবা মরী লৈনৈঃ চিংলেন

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা কিনিঙাই ওইরবা ইশুশিং মপুং ওইনা কিদনি য়োনবগী অমসুং মৌ নহা মাঙবগী ৱাথোকশিং অসি শেন্মীৎলোন ফত্তবগা মরী লৈনৈ হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. চিংলেন মাইস্নামনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুরনা শীন্দুনা শিন্মীশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা কয়ামরুমগা মরী লৈননা দিমান্দশিং পুখৎতুনা চংশিনখিবা ৱাকৎ মীফম অমসুং খন্ন নৈন্নবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. চিংলেন মাইস্নামনা হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈঙাক্তগী হৌরগা মীচম ফাওবদা মীগী শেল তোন্দবা মীওই লৈশিনলক্লে।

করিগুম্বা কান্দা মীওই অমনা শেল তোনখিবগী শেল থৌবা চৎপদা নঙগী শেল অদুদি কিদনি য়োনবা চৎখি। মদু হল্লক্লগা পীগে হায়বা মীওই মশীং খঙদনা য়াওরকপগী ৱাফম লৈরি।

কিদনি য়োনবগী ৱাফম অসি ঙসি ঙরাং পাউচেশিংদা হাপ্নরকপদগী মীয়াম্না খঙনরকপনি। মসিগী ৱাফম অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী ইফোঙ ফোঙনা হায়বা মীওই হায়নদুনা লাকপা মীয়াম্না তান্নরিবিনি।

অমরোমদা হৌজিক নোংমা কাঙদনা মৌ মাঙখিবগী ৱাফম কয়া পাউচেশিংদা ফোঙনরকপা মীয়াম্না থেংনরি। মহাক্কী মপুরোইবা খঙহন্দনা মীগী শেল পুশিনলুরগা শিংবা ঙমদবগী শেন্দোয়গা শেল্লেপকা পুনশিল্লগা শিংবা ঙম্লোইদবা অচৌবা শেনফম অমা ওইরকপদগী শেল থৌবা লাকপা মী উন্নবা ঙমদবদগী মপুরোইবগী য়ুমদা লৈবা ঙমদুনা য়ুম থাদোক্লগা চৎপা, মপামদসু চঙবা কিবদগী মফম খঙদনা লোত্তুনা লৈখিবা মৌ মশীং খঙদনা থোরক্লি।

অমরোমদা মীগী মরল শিংবা ঙমদবদগী মশা মতোমতা শিজবা নুপীগী মশিংসু হন্থবা নত্তে। অসিগুম্বা কয়া অসি মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগা মরী লৈনবগী মমি চাউনা তাই ।

মসি পূন্নমক ওইরবসু শেন্দোয় ৱাঙনা শেল থাদোকপা দুকানগী মশীংসু হৌজিক লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মসিনা মীগী শেন্দোননা খ্বাঙ কোইবগী চাং হেনগৎহল্লিবনি হায়খি।

মণিপুর অসি হিরম খুদিংমক্তা মীপান তাংবগী ফিভমদা লৈরি। সেন্টর লৈঙাক্না পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি মশীং য়ামনবনা মদুখক্তং খঙনবা হোৎনরিঙেদো এম এল এসু, মিনিষ্টরসু, লোকেল বোদিগী ইলেক্টেদ মেম্বরশিংসু তার্ম লোইবনা হানখিবগী ৱাফম লাক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অনৌবা মোটোর ভেহিকল (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০১৯ অসি লাকপদগী মীচম মীয়াম চাউনা চৈথেং নংবা হৌরে। দিল্লিদা শেম্বা এক্ট অদুনা মণিপুরদা চান্নদ্রবসু ইন্দবা য়াদবগী ফিভমদা লাক্লি।

ষ্টেট অসিগী এক্টশিংনা মখোয়না থৌশাদনা থল্লি। মমাঙগী চহীদা লৈবাক অসিগী ওইনা সেন্টরনা অয়াবা পীখিবা, মখা তানা খন্ননবা খঙহল্লকপা বিল পুন্না ৬২ থাদোরকপা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না পাস তৌখিবা মণিপুর পিপলস বিল য়াওরক্তে। চৎলিবা চহী অসিগী ওইনসু বিল ২২ থাদোকপদসু মণিপুর পিপল বিল য়াওরক্তে। শাংলবা মতম অসি বিল অসি এক্ট ওনবা য়াগনি য়ারোই হায়বগী ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি। বিল অসি য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বা চপ চাবা ৱাফম অমা ফাওবা খঙহল্লক্তনা থল্লি।

মণিপুর অসি মীপান তাংবগী চাং অসি য়োংচাক মরু ফাওবা মীপান তাংবগী ফিভমদা লাক্লি। ম্যানমারদগী পুশিল্লকপা য়োঙচাক য়াওদনা লমদম অসিগী য়োকচাক ফাওবা ফংবা ঙমদনা লৈরি হায়খি। মসিগুম্বা কয়া অসি থোকহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস,মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী এল সোটিনকুমারনা হায়, ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অসি মপুং ওইনা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতিগী চৎন কাঙলোন অসি চুম্না চৎনহন্দুনা লায়রবশিংগী চেঙ মশীং শুনা ফংহল্লু, এম জি এন আর ই জি এসগী মখাদা নুমিৎ ১০০ থবক পীহল্লু, মণিপুরদা ৭ শুবা পে অথুবা মতমদা চৎনহল্লু।

শিন্মীশিংগী থবক শুরিবা কন্ট্রেক্ট, কেজুয়েল অমসুং আউট সোর্ছসনচিংবা মীওইশিং অমদি স্কিল ৱার্করশিং রিগুলার তাহল্লু। ভি দি এফশিংগী থাগী পে মতমগা চুন্নবা মওংদা ফংহল্লু। থবক তৌজরিবা শিন্মীশিং খুদিংমক য়ামদ্রবদা লুপা ১৮,০০০থাগী খূৎশুমল পীহনবগা লোয়ননা থাগী পেন্সন লুপা লিশিং ৩ দগী তাদনা ফংহল্লু।

মণিপুরগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংদুনা মথৌ তৌহল্লু, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং মফম পীহনবগা লোয়ননা টাউন ভেন্দিং কম্মিতি শেমদুনা মথৌ তৌহল্লু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসি তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অসি চংশিনবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এ আই টি য়ু দিদা এফিলিয়েট তৌবা তোঙান তোঙানবা য়ুনিয়ন, এসোসিয়েসন, ফেদরেসনশিংগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

# লান্না শীজিন্নখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈতেঃ অমজু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ জর্নেলিষ্টশিংগী পেন্সনগী শেনফম লান্না শীজিন্নখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈতে, দি আই পি আরগী দায়ত্ব লৈবা ওফিসার অমনা পেন্সনগী শেনফম অসি পীননবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরে হায়রকপা অদু ফোঙদোকখিবনি হায়না ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙদোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, অমজুগী ফাউন্দেসন দে নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা দি আই পি আরগী মিনিষ্টরনা শেংদোকপীরক্তুনা জর্নেলিষ্ট পেন্সনরস একাউন্টতা লুপা লাক্ষ ১২ হেন্না লৈরি হায়না ফোঙদোরকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই। মরক্তা ৱাখল তন্নদবা থোকখিবা অদু দি আই পি আরগী দায়ত্ব লৈবা ওফিসার অদুগী ৱাহে অদুদগী থোকখিবনি।

দি আই পি আরদা লৈরিবা ষ্টাফশিং অসিসু অনৌবা ঙাক্তা ঙাইবা মরন্না মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা সিষ্টেম অমদি অমজুগা লৈনরিবা মরী অসিগী মতাংদা খঙবা খরা ৱাৎপা থোকই। মরম অদুনা হান্নগী রিটায়ার্দ তৌরবা ষ্টাফশিংদা হংলুবা নৎত্রগা সেনিয়র জর্নেলিষ্টশিংগা তাথোক-তাশিন তৌনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, একক্রেদিটেদ কার্দ পায়রবা পাউমীশিং হায়বসি লৈঙাক্না শকখঙবীরবা পাউমীশিংনি, মখোয়বু ষ্টেট ফঙ্কসন খুদিংমক্কী ইনভাইটেসননচিংবা পীদুনা খঙহনফম থোকই অদুবু মসিগী মতাংদা দি আই পি আরদা হংলুবদা লৈঙাক্না একক্রেদিটেদ কার্দ পায়বা পাউমীশিং ষ্টেট ফঙ্কসন খুদিংদা য়াওহল্লু হায়না অইবা চেরোল থোকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি। হায়রিবা থৌওং অসি দি আই পি আরগী নৌনা লাক্লিবা ষ্টাফশিং অমদি ওফিসিয়েল অসিনা হান্নদগী লৈজরকপা চৎন-কাঙলোন অদু খঙদবদগী থোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# ‘টি টিশিং এস্কোর্ট চৎপদা য়াওবিগনু’

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর১৯(এসএন এস)ঃ ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এল পি জি বল্ক টি টিশিংনা হয়েং এস্কোর্ট চৎকদৌরিবা অসিদা য়াওদনবা ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভর এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী এল পি জি বল্ক টেঙ্কর দ্রাইভরশিংদা খঙহনলক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী মাইমোম অনিল মৈতৈনা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, হৌজিক হৌজিক বল্ক টেঙ্করশিংগী দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চংশিল্লিবা অসিগা মরী লৈননা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২৩দা এল পি জি বল্ক তেঙ্করশিংগী দ্রাইভরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা শেম শারি।

হায়রিবা মীফম অসিদা দ্রাইভরশিংগী ওইবা ফিরেপ অমা লৌগনি। মরম অসিনা এল পি জি দ্রাইভর খুদিংমক্না হয়েং এস্কোর্টচৎপদা য়াওবীদনবা আপীল তৌরি। করিগুম্বা মসিদা চৎলম্বা থোক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ ফত্তগী তেকচাক পূন্নমক মশা মশানা পুগদবনি হায়খি। লোয়ননা বল্ক টি টিশিংগী মপুশিং, ট্রান্সপোর্টরশিং খুদিংমক্লসু নিংথৌকাবা নুমিৎ অসিগী মীফম অসি ফাওবদং মতেং পাঙবিনবসু আপীল তৌখি।

# লম্বী মপানদা ফুল্লম্বা বোম পোকখায়হনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাটসোই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পাৎসোই পার্ট ৱানদা লৈবা ঐচ ভি এস কন্সট্রক্সনগী মায়োক্নবা নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীগী মতাইদা শকখঙদবশিংনা শক্তি লৈরবা আই ই দি বোম প্লান তৌরগা থম্লম্বদা ঙসি অয়ুক থেংনরকপদগী লৌথোক্লগা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে।

বোম অদু জে এন্দ কে রাইফলসকী স্নিফর দোগ য়াওবা টিম অমনা পেট্রোল্লিং চৎপদা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা থেংনরকখিবনি। বোম লৈরে খঙবদগী খুদক্তা বোম লৈরম্লিবা লম্বী মতেক অদু লান্দুনা চখোক চৎশিন তৌবা থিংখি। লম্বী অসিদা চখোক চৎশিন তৌরিবা খুদিংমক পাৎসোই পার্ট ৱানগী লমখাইদা ফাওরগা চৎহনখি। পুলিস অমদি মণিপুর পুলিসকী বোম দিফ্যুজেল স্কৱাদতা পাউ পীবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসারশিং অমসুং বোম স্কৱাদকী টিম লাক্তুনা বোম অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং অয়ুক পুং ৯.৪০ দিফ্যুস তৌরগা লৌথোকখি। বোম অদু ১.৫ রোম লুম্মী। আর দি এক্স (রিসার্স দিপার্টমেন্ট এক্সপ্লোসিভ)না শেম্না আই ই দি মখলগী রিমোট কন্ট্রোলগী বোমনি হায়রি। বোম অদু ব্লেক টেপনা য়েৎলগা খাউ অমদা হাপ্লগা থম্লম্বনি। বোম অদুদা আর দি এক্স পিছ ৭, দিতোনেটর ১, বেত্রি অমদি সার্ক্যুট বোর্ড অমা য়াওরম্মী। বোম অদু পাৎসোই পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোনেল অমদি বোম স্কৱাদকী অপুনবা টিমনা চেকশিননা শেন্নদুনা পুরগা ইম্ফাল ৱেষ্ট সাইরেংখুল মনাক্তা লৈবা লমহাং অমদা অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখি। বোম অদু কনানা করিগীদমক প্লান তৌরম্বনো হায়বদু খঙবা ঙমদবগা লোয়ননা লালহৌলুপ অমতনসু ক্লেম তৌরকপগী পাউ লৈত্রি।

# মণিপুর শোক্লবদি...

*লমায় ১গী মখা...* লাউথোকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী মশীং য়াম্লবা লাম্মী কয়া থাজিন্দুনা মখোয় সি এস ওশিংগী লুচিংবশিং অমদি পোলিটিকেল লিদরশিংবু জেলদা নমশিনবা, হাউস এরেষ্ট তৌশিনবা, ইন্টর্নেট থিংজিনবা অসিনচিংবা কয়া নমফুদা তৌশিনখিবা অসিগুম ষ্টেট অসিদসু থোক্লোই হায়নীং ঙাই লৈতে। অসিগুম্বা থৌওং অসি থোক্লকপদা মণিপুর মীয়াম্না করি কমদৌনা খোঙজং চঙশিনগনি, করি চেকশিন ফীরেপ লৌহৌগনি হায়বনচিংবশিং অদু খন্ননবা ঙসিগী পব্লিক এলার্ট মিটিং অসি পাঙথোকপনি।

মসিদসু নত্তনা লৈঙাক অসিদা তংদু- লৈতাদবগী ফীভম অমা ইতৎ-তত্তনা উরিবা অসি সেন্টরগী খূৎ য়াওরমগদ্রা হায়বগী চাউনা চিংনবা লৈ। করিগুম্বা তংদু- লৈতাদবা অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা পি আর লাক্লগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শান্ননিংবা মওংদা শান্নরক্লবদি মদুগী অফ-ফত্তাগী দায়ত্ব লৈঙাক পায়রিবশিং অসিনা পুগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুদা য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল কারামনা প্রসিদেন্ট অমদি য়ু সি এমগী এদভাইজর আর কে রনেন্দ্রজিৎনা মোদেরেটর ওইদুনা পাঙথোকখি।

# মর্জর এগ্রিমেন্টকী মতাংদা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল দিবেটিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর১৯(এসএন এস)ঃ মণিপুরনা প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটসতা হঙ্গিনবা ঙম্নবা মতমদতা মণিপুর-ইন্দিয়া কনফ্লিক্টকী ৱাখেনবা ঙমগনি হায়বা হিরম অসিদা কোলিসন ফোর ইন্দিজিন্স রাইটস কেম্পেইন (সর্কা) য়ুঠ ফ্রন্ট- দেসাম অমসুং এইমসনা শীন্দুনা মরিশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দিবেটিং কম্পিটিসন, ২০১৯ ঙসি ইম্ফাল কোলেজগী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পুন্না দিবেটর ৩৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা দিবেটিং কম্পিটিসন অদুগী মতাংদা সর্কা য়ুঠ ফ্রন্টকী এক্সিক্যুটিভ মেম্বর এল লময়ানবনা হায়, কুমজা ১৯৪৭ তগী ১৯৪৯ ফাওবদা মণিপুরগী পুৱারিগী তাঙ্ককশিং অসিনা মণিপুরগী টর্নিং পোইন্টনি হায়না লৌনরিবনি।

কুমজা ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৪ দা মণিপুর নিংতম্বা ফংলে, লোয়ননা ইন্দিয়াগা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন খূৎয়েক পীনখ্রে। মতুংদা মণিপুরগী মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমজখ্রে। কুমজা ১৯৪৮গী ওক্টোবর ১৮দা মণিপুরগী মশাগী ওইবা কন্সটিট্যুসন লৈজরগা এসেমব্লি শেমজখ্রে।

খা নোংপোক এসিয়াদা ইহান হানবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা মণিপুরনা ওইখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ২১ দা মণিপুর ইন্দিয়াদা তিনবগী মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনরগা ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবনি।

ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা মুরুবা অমসুং ইশু কয়ামরুম থোরকখি। মসিগী ইশুশিং অসিগী ৱারোইশিন অসি কদায়ৱাইদা পুরক্কদগে হায়বদু থিজিনবা মতমদা কুমজা ১৯৪৭ তগী কুমজা ১৯৪৯ ফাওবগী পুৱারিগী তাঙ্কক অসি হনগৎনা য়েংদবা য়ারক্তবনি।

ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসনদা য়াওরিবা ৱাফমগী মতুংইন্না দিফেন্স, কম্ম্যুনিকেসন অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়ার্সখক্তমক ইন্দিয়ানা পায়রগা লেমহৌরিবা অতৈদি মণিপুরনা পায়জগদবনি। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা মণিপুর অসি কোনশিল্লোইদবনি হায়না য়ান্নরম্বা ৱাফম য়াওরি।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন অসিনা লমদম অসি য়েলহৌমীশিংগী ওইবা ফংফম থোকপা হক ময়াম অমা ফংবা ঙম্লক্তবগী ফিভম অমা লাকহল্লে। মসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক প্রি মর্জরগী মতাংদা ঙসিগী মীরোল ৱাখল তাহনবা চংই।

মণিপুরগী পুৱারিগী তাঙ্কক কয়া ঙসিগী মীরোলদা নীংশিংহন্নবগীদমক পালন থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অসি মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা নুমিৎকী মাঙওইননা দিবেটিং কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

# মণিপুরগী হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী মরমদা ...

*লমায় ১গী মখা...* এন আই টিগী দাইরেক্তর প্রোফেসার গৌতম সুত্রধার, সি এ য়ুগী দাইরেক্তর ওফ এক্সটেন্সন এদুকেসন প্রোফেসার রতন কুমার সাহ অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মণিপুরগী দাইরেক্তর ডা. ৱাই নবচন্দ্র সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার এন রাজমুহোন সিংহ, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মণিপুরগী দিপ্যুটি দাইরেক্তর ডা. টি ব্রজকুমার, এন আই টি মণিপুরগী ডা. এনজি রোমেজি সিংহ অমদি সি এ য়ুগী প্রোফেসার এল নবচন্দ্র সিংহনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইবগা লোয়ননা ওজা, মহৈরোই অমদি রিছোর্স পার্সন কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দাইরেক্তর ডা. ৱাই নবচন্দ্রনা হায়, হোংলক্লিবা মালেমগী অঈং-অশা অসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙনা-খঙনা অমদি মীৎমাঙদা থোক্লিবা থিংবা য়াদ্রবা থৌদোক অমনি।

ইন্দিয়া অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেট চেঞ্জকী মেম্বর ওইরিবনি। মরম অসিনা লৈবাক অমনা ঙম্বা থাক্তা উমংগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌশিল কয়া শেমদুনা চৎনবা হৌখ্রে। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দাইরেক্তর ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জসু অপগ্রেদ তৌনবা অমদি হোংলক্লিবা অঈং-অশা অসিবু থেংননবা থৌশিল কয়া মায় পাক্না চৎনবা ঙম্নবা ইন্সট্রক্সন তৌরকপা লৈরে।

লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা মণিপুরদা হোংলক্লিবা অঈং-অশা অসিবু থেংনবা ঙম্নবা পোলিসি শেম্বা হৌখ্রে। ষ্টেট এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ হৌদোকখিবা চহী ৬ লোম শুরবসু ইনফোর্মেসন গেপ অমদি অদুমক লৈরি। মরম অসিনা দাটাশিং অদু রিভাইস তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। দাইরেক্তর অসিনা অঙম্বা থাক্তা ইনফোর্মেসন গেপশিং অসি মেনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকপদগী ফগৎপা ঙম্লক্লে অমদি ৱার্কসোপ অসিনা লৈবাক মীয়ামদা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা আই আই এস সি বেঙ্গলোরগী ডা. ইন্দু কে মুর্থিয়না ‘ক্লাইমেট চেঞ্জ ইমপেক্ট মোদেল্লিং এন্দ দাটা নীদস’, সেন্টর ফোর এটমোস্ফেরিক সাইন্স আই আই টি দিল্লিগী প্রোফেসার মঞ্জু মোহন ‘ইমপেক্টস ওন মাইক্রোক্লাইমেটিক কনিদসন্স এন্দ চেঞ্জিং লেন্দ ইয়ুস লেন্দ কোভর পেটর্ন’, সি এ য়ুগী প্রোফেসার ই ভি দি শাস্ত্রিনা ‘ক্লাইমেট রি সাইলেন্ট প্লান্ট টাইপ এন্দ ক্রোপ ভেরাইটিজ ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্দিয়া’ অমসুং এন আই টি ট্রিরুচিরাপপল্লি, তামিল নাদুগী ডা. সরাভানন সুব্বারায়ননা ‘ক্লাইমেট চেঞ্জ ইমপেক্টস ওন হায়দ্রোলোজি এন্দ ৱাতর বেলেন্স মোদেলিং’ হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংবগী টেক্নিকেল সেসন অমসু পাঙথোকখি।

ৱার্কসোপ অসিদা মণিপুরগী লৈবাক মীয়ামদা লমদম অসিদা হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী মরমদা হেন্না ৱাখল তাহনবা ঙম্নদা নত্তনা অনৌবা সাইন্টিফিক এপ্রোচশিং ফংবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ অনৌবা দোকুমেন্টশিং ফংবা ঙম্লগনি হায়রি। লোয়ননা থৌরম অসিগী মখা তাবা শরুক হয়েং সঙাই কন্টিনেন্টেল হোটেলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# য়ুনিয়ন ফুদ মিনিষ্টর রাম ভিলাস পাসৱান থুংলরগনি ফুদ সেক্রেটরীশিং, কম্মিস্নারশিংগী মীফমদা শরুক য়াগনি

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর১৯(এসএন এস)ঃ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ কঞ্জ্যুমর এফেয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন রাম ভিলাস পাসৱান নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা হয়েং নুংথিল ইম্ফালদা থুংলরগনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ফুদ সেক্রেটরিশিং-কম্মিস্নারশিংগী মীফমদা ময়াই তাঙবল লৌদুনা রিভিয়ু মীতিং পাঙথোক্কদৌরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম ভিলাস পাসৱাননা হয়েং নুংথিল ইম্ফালদা থুংলবগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকপা সিক্কিম য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম,নাগালেন্দ, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমগী ফুদ সেক্রেটরিশিং অমসুং কম্মিস্নারশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী রিভিয়ু মীতিংদা মিনিষ্টরনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা শরুক য়াগনি হায়রি।

হয়েংগী মীফম অসিদা মপুং ওইনা পি দি এসকী ওপরেসনশিং কম্প্যুটরাইজেসন তৌবগী থবকশিং, রেসন কার্দশিং অমসুং বিনিফিসিয়ারিশিংগা অধার সিদ্দিং তৌবগী থবক ,বেনিফিসিয়ারিশিং বাইওমেত্রিক ওঠেন্টিকেসন তৌবগা লোয়ননা ই পি ওএস মপুং ফানা ওনলাইন ওইহন্নবা থবক লৌখৎপা, রেসন কার্দ হোল্ডরশিংগী ইন্ত্রা ষ্টেট পোর্টেব্লিতিগী থবকশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা, সপ্লাই চেইন মেনেজমেন্টকী মতাংদা ষ্টেট শিনবা থুংনা থবক লৌ-খৎপগী থবক লোইশিনবা লোয়ননা ফেয়ার প্রাইস সোপশিংদা দিজিটেল নৎত্রগা কেসলেস পেমেন্টকী থবক হৌহনবা য়াওরি।

মসিগা লোয়ননা ষ্টেটশিংনা এফ সি আইগী ফুদগ্রেনশিং ফংবা অমসুং চিংথোক চিংশিন তৌবগী ৱাফম লোয়ননা অতৈ ষ্টেটশিংনা পুখৎলকপা ইশুশিংগী মতাংদা কুপ্না মীফম অদুদা খন্নগদৌরি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা পাউমীশিংগা উন্নগনি হায়রি।

অমরোমদা মিনিষ্টর অসিগী নুমিৎ নীনি শুবগী খোঙচৎতা বিষ্ণুপুরদা শাগৎলিবা মেত্রিকটন ৪৬০০ কী কেপাসিতি ওইবা এফ সি আই গোদাউন অমা শঙ্গারমগনি হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিগা মরি লৈননা চ্যারমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্টর ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া দি ভি প্রসাদ আই এ এস, এক্সিক্যুটিভ দাইরেক্টর (প্রোক্যুরমেন্ট এন্দ সেলস) আর পি সিংহ, এফ সি আই নোর্ঠ ইষ্ট জোনগী এক্সিক্যুটিভ দাইরেক্টর অনুরাগ গুপ্ত, এক্সিক্যুটিভ দাইরেক্টর এফ সি আই ইষ্ট জোন এ কে সিনহা, শিল্লোং, ইটানাগর, গুৱাহতি, দিমাপুরনচিংবগী এফ সি আইগী রিজনেল ওফিসশিংগী জেনেরেল মেনেজরশিং মীফম অসিগীদমক ইম্ফালদা থুংলরে হায়রি।

# ‘থবক শুদনা শেল লৌথোক্লবদি লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংগনি’

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর১৯(এসএন এস)ঃ লৈঙাক্না থাদরক্লিবা শেনফমশিং অসি মীয়াম্না পরম চুম্না শিজিন্নরবদি মণিপুর অসি চাউখৎপা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি। মীয়াম্না পরম চুম্না থবক শুরবদি চাউখৎপা পুরক্কনি। থাদরক্লিবা শেনফম অসি থবক শুদনা লৌথোক্লবদি লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংগনি হায়না মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যারমেন এম এল এ এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সদা লৈবা দি সি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা ওইনাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা কুমজা ২০১৯-২০ গী ওইনা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা পায়খৎকন্দবা তোঙান তোঙানবা থবক ২৩গী লুপা ক্রোর ১ গী চাদ ৭৫ গী শেনফম বিনিফিসিয়ারিশিংদা য়েহোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি এম এল এ এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ অসিগী মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা থবক তৌরবদি চাউখৎ লম্বীদা খুমাঙ চাউশিনহনবা ঙমগনি। পীথরক্লিবা শেনফমশিং পরম চুম্না মীয়ামদা কান্নবা ফংগদবা মওংদা শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক্কী খারিফ লৌরোক অসিদা নোং মপুং ফানা চুদবনা মপুং ফানা মহৈ মরোংশিং লোকপা ঙমদবগী ফিভম মায়োক্নখ্রবসু লৌমীশিংগীদমক রবি মহৈ মরোং থাবা মতমদা লৈঙাক্না পাঙবা য়াবা মতেং পাঙনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। লৌমীশিংদা পীনবগীদমক মরূ মরাংশিং মতিক চানা লৈরে। লৈঙাক্কী শেনফম অসি মীয়ামগীনি। ঐখোয় খুদিংমক্না থবক্তা মীৎয়েং থমদুনা চংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ ।

ঙসি য়েহোক্লিবা শেনফম অসি মীয়ামগী থবক শুনবগীদমক্তনি। মীয়ামদা খূৎশিন্নরিবা শেনফম অসি থবক মপুং ফানা শুদ্রবদি অরোইবা তাঙ্কক্কী শেনফম পীরোই হায়না এম এল এ এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থবক শুবা মতমদা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি ইঞ্জিনিয়ারশিংনা মতম চানা চেক তৌনবা পাউতাক পীবগা লোয়ননা মীয়ামসু মীৎ না শিংনা থবক শুবগী তঙাইফদবা লৈ। থবক শুবা মতমদা অমগা অমগা থংজিন্নবগী মতম নৎত্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার বিষ্ণুপুর নিটা অরাম্বমনা হায়, পীথরিবা শেনফম অসি নিংথিনা শিজিন্নদুনা থবক ফজনা শুবীদুনা মীয়ামদগী ৱাকৎ লাক্তনবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবগী তঙাইফন্দবা লৈ। থবকশিং পরম চুম্না শুবিদুনা লমদম অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা মাঙজিল থানা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়খি।

চেক য়েহোকপগী থৌরম অদুদা দি আর দি এ বিষ্ণুপুরগী প্রোজেক্ট দাইরেক্টর ঐচ বোবি শর্ম্মা, ডা. মুনানথোই, এ দি সি বিষ্ণুপুর এ এস ইলিয়াজ, ই ই এল রোজেন্দ্রো অমদি পি ঐচ ই দি বিষ্ণুপুরগী ই ই এল গোকুলচন্দ্রশু শরুক য়াখি।

# কলচরেল কাউন্সিল অমা থম্নবা হোৎনসিঃ আর কে রঞ্জন

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৯(এসএন এস) তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোরমদা খঙ হৈরবা ওঝাশিংনা লুচিংদুনা ষ্টেট কলা একাদেমিগী মখাদা ‘কলচরেল কাউন্সিল’ অমা থাদুনা লমদম অসিগী আর্ট ফোর্মশিং খঙদোক্তুনা য়োকখৎনবা হোৎনসি হায়না এম পি, ডা. আর কে রঞ্জন সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি রিপটোরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুর অমসুং রাইজিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (আর ৱাই ও) মোইরাংখোমনা শীন্দুনা ৫ শুবা ঙাসেপ্পম তোম্বী মেমোরিয়েল ৱারী লীবা ফেষ্টিভেল, ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম ভক্তা আশ্রম গ্রাউন্দ য়াইস্কুল সনা সোরোক লমজাও মোইরাংখোমদা পাঙথোকপদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জন সিংহ, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী সেক্রেটরী এল কিশ্বোরজিৎ সিংহ অমদি রাজশ্রী ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী চীফ এদভাইজর বি অমুস্না শর্ম্মানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ডা. আর কে রঞ্জন্না মখা তনা হায়, মালেমগী মফম অতৈদো মণিপুরদা ফঙলিবা মখল কয়াগী কলচরশিং অসি ফঙদে। লোন, জাতি অমদি কলচরগী মথক্তা মনা মশিংসু মখল শুনা ফঙবা লমদম অমনি। মরম অসিনা থাইনদগী চৎনরকপা মীতৈ অমদি লমদম অসিগী চৎনবী খুদিংমকপু য়োকখৎতুনা তুংগী মীরোলগীদমক থম্নবা হোৎনবা তঙাই ফদে হায়খি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ককচিংতাবম ব্রজামনি শর্ম্মা য়ুঠ টেলেন্ট ৱারী লীবা এৱার্দ ২০১৯, খোঙদ্রাম নিল্লো সিংহ মেমোরিয়েল ৱারী লীবা এৱার্দ ২০১৯ য়েহোকপগা লোয়ননা অহল ওইরবা ৱারী লীবা আর্টিষ্টশিংদা লাইফ টাইম পেন্সনসু য়েহোকখি।

# চাইনিজ মচা অনী লুপা ৫০০০ থিহনখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৯(এসএন এস) ঙরাং এয়রপোর্টতগী মরী লৈনবা চে চাং য়াওদবগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাখিবা চাইনিজ মচা অনী ৱায়েলশঙনা পি আর বোন্দ লুপা ৫০০০ থিহনবগা লোয়ননা থাদোকখ্রে। ঙসি থাদোকখ্রবা চাইনিজ মচা অনী অদুদি চাইনাগী তেংচোং প্রোভেন্সিতগী লী নানকাই (২২) অমদি চাইনাগী জুয়ানজি প্রোভেন্সতগী জেং য়োংমীং (২৪) নি।

মখোয় অনীমক মরী লৈনবা প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট (পি এ পি) কী চে চাং য়াওদবগী পুলিসনা ফাখিবগা লোয়ননা য়ু/এস ১৪ ফোরেন এক্টকী মখাদা দিন্টেন্দ তৌখিবনি। মখা তানা থিজিনবদা মখোয় অনীমক চাইনাগী গুৱাংজি প্রোভেন্সতা লৈবা গুইলিন ট্যুরিজম য়ুণিভর্সিটিগী মহৈরোইশিংনি অমদি লিনানকাইনা গোল্ফ এন্দ কলচরে অদুগা জেংয়ৌমীংনা চাইনিজ টু ইংলিশ ট্রান্সলেসনগী সবজেক্ট তম্লিবা মহৈরোইনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মখোয় ইম্ফালদগী দিল্লি তান্না এয়র এসিয়াগী ফ্লাইট অমদা তোংদুনা চৎনবা হোৎনরিঙেদো ফাখিবনি। অদুম ওইনমক মখোয় মখা তানা থিজিনবদা মখোয় লোয়নমক লমকোইবনি হায়বা খঙবা ঙম্লগা লোয়ননা ৱায়েশঙনা পি আর বোন্দ ৫০০০ থিহল্লগা থাদোকখিবনি।

# পার্কিংদা লম খোপচিল্লম্বা দুকান ৬৩ রোম তকথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল সিটি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খোয়াথোংদগী বাবু থোং ফাওবগী মরক্তা নগা নলাগী মথক্তা থল্লিবা পাব্লিক পার্কিংদা লোগী ৱাংমদা ফমজিল্লম্বা দুকান, হোটেল অমদি নগা নালাগী মমাঙথংবা মপালদা লম খোপচিল্লকপা য়াওনা পুন্না দুকান ৬৩ লৈঙাক্না তকখায়খ্রে।

লম খোপচিল্লকপশিং তকথোকপগী থবক অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সি য়াওরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস অমসুং ত্রাফিক পুলিসনা মতেং পাংল্লগা জে সি বি শিজিন্নরবা ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবা মতমদগী হৌরগা চথখিবনি। তকথোকপগী থবক অদুগা মরী লৈননা ত্রাফিক পুলিসকী এস পি কে সর্মানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্না লাওথোক্তুনা মীয়ামগী গারী খামফম ওইনা শিজিন্নরিবা মফমসিদা লনাই মীওইশিংনা পোৎচৈ য়োনবগী থবক চথরকপা অমদি দুকানশিংনা লম খোপচিল্লকপা লল্লোনফম ওন্থোরকপা অসি লোগী ৱাংমদনি। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপদগী তকথোকপগী থবক অসি লৌখৎলকপনি। লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক লাওথোক্তুনা থমখ্রবা মফমশিংদা কনাগুম্বশিংনা লোগী ৱাংমদা লম খোপচিদুনা দুকান শাজিনবা অমদি পোৎচৈ য়োনশিন্দুনা লাল্লোনফম ওন্থোকপগী থবক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু হায়খি।

মসিদা নত্তনা উরিপোক কাংচুপ রোদ অমদি কৈশামথোং লাইনদা দ্রেন মথক্তা দুকানচিংবা ফমজিল্লিবশিং অসি অথুবা মতমদা তকথোক্লগনি হায়না এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মীয়ামদা নমথাক তৌবা লৈখিদেঃ প্রোপাইটর

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ মেরিনা স্প্রিং দ্রিঙ্কিং পেকেজ ৱাটর পুথোক্লিবা ইন্দষ্ট্রিজ অসিনা মীয়ামদা নমথাক তৌরগা শেল তান্নবা হোৎনখিবা লৈতে, ইন্দষ্ট্রিস অসি পরম চুম্না চল্লাইরি হায়না থক্লবা ঈশিং অসিবু পুথোক্লিবা ফেক্তরি অসিগী প্রোপাইটরনা শেংদোরক্লি।

হিরমসিগী মতাংদা ঙসি বিষ্ণুপুর জয়পুর খুনৌদা লৈবা মেরিনা স্প্রিং দ্রিঙ্কিং পেকেজ ৱাটর পুথোক্লিবা রিলাইয়েবল হাইদ্রোটেক হায়বা ফেক্তরি অসিদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফেক্তরি অসিগী প্রোপাইটর খাগেম্বা সনাবামনা হায়খিবদা, ফেক্তরি অসিনা খ্বায়দগী ফবা মখলগী পোখোক পুথোক্লবা বি আই এস অমদি ফসাইগা ঙাইহাক লৈতননা পাউ ফাওনরগা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ঈশিং অসিগী পুথোকপগী পরমগী মনুং চন্নবা রিভর্স ওসমোসিস মেম্ব্রেনদা দিফেক্ট অমা লৈবদগী অসোইবা অমখক থোকখি। মসিদা ষ্টেট ফুথ সেফতি ওতোরিটিনা ফেক্তরি অসিবু লোগী ৱাংমদা পরম চুম্না চল্লাইদবা ফেক্তরি অমা ওইনা মেদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোরকপসি লাইবক থিবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ফেক্তরি অসিদা থবক তৌরিবা ষ্টাফ খুদিংমক অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজিগী মতম মতমগী ওইনা ত্রেনিং থাদুনা হেন্না ফবা মখলগী পোখোক পুথোক্লবা কন্না অমদি অশোইবা অমত্তা থোক্তনবা কন্না হোৎনরি। ঈশিং পুথোকপগী পরমদা দিফেক্ট মচা অমখক লৈখিবদগী ঈশিং বোট্টল খরদা অমোৎপা খরা য়াওরকপা থেংনখি। অদুবু বোট্টল লোইনমক্তা য়াওবদি নত্তে। বোট্টল খরদা করিগুম্বা মপং খরা য়াওরে হায়বা পাউ ফংবদগী ময়ামদা থাদোকখিবা বোট্টল পূন্নমক অমুক খোমগৎখি।

মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফেক্তরি অসিদা ইনস্পেক্সন তৌবদা তরাম্না ওকচরি অদুবু মেচিনগী দিফেক্টনা মরম ওইরগা অশোইবা মচা অমখক থোকখিবা অসিনা ফেক্তরি অসিবু লান্না উহন্নবদি তৌবিগনু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মীয়ামগী মীফম কৌখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৯(এসএন এস)ঃ চৎলিবা থা অসিগী তাং ২১ দা মার্জর এগ্রিমেন্ট, ১৯৪৯ মণিপুর অমদি ইন্দিয়া হায়বা হিরমদা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়না অমকিলগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শখি লৈমানা ফোঙদোরক্লি। ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা অমকিলগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শখিনা মখা তানা হায়, হায়রিবা থৌরম অসি অমকিল অমসুং য়ু পি এফ অনীনা পূন্না শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

# য়ু এন কনক্লেভতা...

*লমায় ১গী মখা...*অঈং-অশানা পীরকপা অকায়বা অমসুং করন্না থেংনগনি হায়বগী হীরমদা মালেমগী লুচিংবশিংগী পূক্নীং চিংশিনখি।

মহাক্না হায়, ‘অঙাং অমা ওইনা স্কুল চৎতুনা মহৈ তম্লবসু তুংগী পুন্সিনা লেপ্পা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরবদা মহৈ তম্বগী কান্নবা করি লৈগনি। মালেমগী হোংলক্লিবা অঈং-অশা অসিনা খুদক্তা অকায়বা পীদ্রবসু তুংগী মীরোলদদি সুকশোই শোইদনা মসিগী চৈথেং নংগনি। মরম অসিনা খুদক্তা মসিবু থিংনবা হোৎনবা তঙাইফদে।

গ্লোভেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদা ঈকং থোকপা, ঈশিং চাউবা অমদি নোংজু-নুংশা চাং নায়দবা থোকহন্দুনা লৌমী কয়াগী অৱাবা মায়োক্নহনবা হৌরে। চহী ১০ গী মতুংদা মহাক চহী ১৭ শুরগনি। অদুবু মতম অদুদদি মালেম অসি মুংপা য়াবগী ফীভমদা লৈরগনি। মদুনা মখোয়গী জেনরেসন অদু পুল্লপ মুখৎপগা মান্নরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হয়েং সেপ্টেম্বর ২০ দা নেস্নেল এসেমব্লি ওফ অঙ্গোলাগী মমাঙদা চঙশিনগদৌরিবা গ্লোভেল ক্লাইমেট ষ্ট্রাইকতা স্বিদিশ ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট গ্রেতা থুনবর্গকী মীৎয়েং মখাদা মহাক অমসুং মহাক্কী সপোটর য়ং ক্লাইমেট এক্টিভিষ্টশিং শরুক য়াগদৌরি।

# এন আর এফ এমনা বন্দ ...

*ঙরাংগী মখা...* মতম অসিদা মশানা লৈঙাকচবা হৌরকপগী অশোনবা লৈঙাক্লোনদা ইন্দিয়া য়ুনিয়ন শেঙ্কগী ৱাখল্লোন্দা ঙাওজরবা ঙকচাউ থেকপা ইন্দিয়া ময়োন লমগী লুচিংবা খরনা মণিপুরগী লৈঙাক্লোন্দা লোন্না অমদি ফোঙনা খূৎ থিংজিন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্তা চরাংনবা থোক্লবা শীনখি অমদি থোকহল্লকখি।

মণিপুর লৈঙাক্তা চুনা শীংনরিবা মতমদুগী মণিপুরদা লৈবা ইন্দিয়া এজেন্সেদর মিষ্টর রাৱল অমর সিংহগী মথক্তা করিগুম্বা খরা তৌবা পাম্বা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা শিলোংদা লৈবা অসামগী গভর্ণর মিষ্টর প্রকাশ উন্নবা পাউ থাদোক থাজিন তৌরকপা তানফম অসি তানবা শীল্লিবা ইন্দিয়ানশিংনা মখোয়না নীংবদু তৌনবা প্রকাশ মশা দিল্লি য়ৌখি। দিল্লিগী অঙম্বশিংনা য়াথং পীবা ঙমদ্রবদা বোম্বেগী বিরলা হাউসতা লায়েংদুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান দিপ্যুটি, প্রাইম মিনিষ্টর সারদর পটেল উন্নদুনা য়াথং ফংদুনা পাম্বে অমা তৌদুনা মণিপুরগী নিংথৌবু শিল্লোংদা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌবগী সাইন তৌহনবগী থৌরাং লোইশিনখি হায়রি।

অসামগী গভর্ণর উন্নবা লাকখিবা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্র শিল্লোংদা থৌরাং পূম্বা লোইরবা ইন্দিয়ানশিংগী লানবন্দ মনুংদা তাখি নুমিৎ হুন্নি লানফা অমগুম কোইশিন্দুনা অকি-অখং পীদুনা থমখি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা মপুং ফানা তিনবগী অয়াবা অসিদি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী অয়াবা য়াওদনা নিংথৌ ঐগী পাঙ্গল লৈতে হায়বা ৱাফম থৌশাদনা মনীংতম্বা মণিপুর লৈঙাক, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলবু ইকায়খুম্নবা থমদনা তুহৎ- নৈহৎপা, অশোনবা-অপীকপা ফুরুপ্পু কিহন-খংহন্দুনা খুদুম চনশিনখিবা ইন্দিয়ানশিংগী থৌরাংনা নমদুনা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু মর্জর এগ্রীমেন্ট মণিপুরনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনবগী খূৎয়েক লৌখি।

অদুগুম্বা মীকুপ অদুবু নুমিৎ অসিবু ফুরুপ অসিনা শীংনরি হায়বা এন আর এফ এমনা মালেম পূম্বদা খঙহল্লি অমদি মণিপুরগী মুনবিখ্রবা মনীংতম্বা হঙ্জিন্দ্রিমখে ইন্দিয়াগা লান থেংনখিগনি হায়না মখা তরি।

চেরোল অসিনা হায়, মরাইবক থিরবা মণিপুর খুন্নাইনা হৌজ থেংখাঙ কয়াদা অৱাবদা মায়োক্নরকখ্রবগী নীংশিংনরিবা কাউঙমদ্রবা নুমিৎশিং, কুমজা ১৮১৯ / ১৮২৬ চহী তরেৎ খুন্তাকঙৈ, কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩, ২৪, ২৫, খোংজোম লান, কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ তা কংলা কোনুংদা বৃটিশ ফিরান য়ুংখিবা, কুমজা ১৮৯১ গী ওগষ্ট ১৩ দা অথৌবা অনী ফাঁশি তৌখিবা অমদি কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৪ দা মণিপুরনা অমুক নীংতমখিবা, নুমিৎশিং অসিগী তুং ইন্না কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট ইন্দিয়াগী মীখা পোল্লবা মণিপুরশিং ঙসিদি নমফুগী এগ্রীমেন্ট অদুনা চহী ৭০ চুপ্পা ইন্দিয়ানশিংনা ফম্মু ফম, লেপ্পু লেপ খুন্নাই অসিনা মীনাই নায়থাংগী পুন্সিদা লেপ্লি। চাবা থকপা, লম্বী থোং, শেন্মীৎলোন, মী অমগী ফুরুপ অমগী হিংবগী পাম্বে পূম্বা পায়শিনখ্রবগী মথক্তা এস য়ু এনা জপানদা থাদখিবা এতোম বোম অদুদগী অথিবা হেল্লবা এক্ট কয়া লেপ্পা লৈতনা শেন্নক্লি।